

# সনালৈবাক স্পোর্টস





*প্রি ক্বাটরদা বেলজিয়মগী মখুত্তা য়ু এস এ মাইথিহৌবদা নিংবা কাইখ্রবী য়ু এস এগী ফেন অমা*

*জর্মন্না অলজেরিয়াবু মায়থিবা পীদুনা ক্বাটর ফাইনেল চংবদা হরাওবা ফোংলিবী অমা*

## ফিফানা শিনবা ২০শুবা ৱার্ল্ড কপ

# আর্জেন্টিনা, বেলজিয়ম ওপোনেন্টশিংবু এক্সত্রা টাইমদা মাইথিবা পীরমদুনা ক্বার্টর ফাইনেল চংখ্রে




*রিও দি জেনেরো, জুলাই ২ঃ*

আর্জেন্টিনা অমদি বেলজিয়ম মেটচ নম্বর ৫৫ অমদি ৫৬ মায়পাক্তুনা ক্বাটর ফাইনেল চংখ্রে।

অহানবা শান্নখিবা মেটচ অদুদা আর্জেন্টিনানা স্বুইটজরলেন্দবু এক্সত্রা টাইমগী অরোইবা শরুক্কী মিনিট ৱাৎলিঙৈদা দি মারিয়ানা গোল চন্দুনা টিম অসিবু ক্বাটর ফাইনেল ফাওবা পুশিনখি ।

অতোপ্পা মেটচ অমদা বেলজিয়মনা য়ু এস এবু গোল ২–১দা মায়থিবা পীরমদুনা লৈবাক অসিনা ইরোই লোইবা ওইনা ক্বাটর ফাইনেল চংবা টিম ওইখ্রে ।

অহানবা শান্নখিবা মেটচ অদুদা আর্জেন্টিনা অমদি বেলজিয়মনা মখোয় মখোয়গী টিমনা পাঞ্জিল চন্নবা কন্না হোৎনদুনা শান্নখি । মেটচ অদুগী অহানবা শরুক অমদি অনিশুবা শরুক্তা আর্জেন্টিনাগী গোল ওন্থোকপা য়াবা বোল কয়া স্বুইটজরলেন্দগী গোলকিপরনা সেফ তৌখিবা য়াওনা কয়ারক হন্না তৌরকখিবা এতেম্প অদু অরেম্বদা মাংখি ।

মেটচ অদুগী ৩৬শুবা মিনিটতা স্বুইটজরলেন্দগী গ্রেনিট সাকাবু রেফ্রিনা সেরিএস ওইবা ফাউল্ট তৌবগীদমক য়েল্লো কার্দ অমা বুক তৌখি । অহানবা হাল্ফকী মতম লোইবা ফাওবদা টিম অনিমক্না গোল অমত্তা চন্নবা ঙমদ্রবসু অয়াম্বা মতমদা আর্জেন্টিনানা বোল হেন্না পায়দুনা বেলজিয়মগী মাইয়োক্তা গোল চন্ননবা হোৎনখি ।

সেকেন্দ হাল্ফ হৌদুনা টিম অনিমক্না মখা তানা শান্নরকখি । মেটচ অদুগী ৬৯শুবা মিনিটতা আর্জেন্টিনাগী মার্কোস রোজোবু রেফ্রিনা য়েল্লো কার্দ অমা বুক তৌখি। মসিগা লোয়নন্না শান্নরোই অসি মথংগী মেটচ লেপ্পগনি ।

মমাংগী মেটচ অমদা মহাক য়েল্লো কার্দ অমা বুক তৌখিবগা লোয়নন্না য়েল্লো কার্দ অনি বুক তৌখিবা শান্নরোই অমা ওইদুনা মথংগী মেটচতা শরুক য়ারোইদৌরি ।

মেটচ অদুগী ৭৩শুবা মিনিটতা স্বুইটজরলেন্দগী গেলসন ফ্রনন্দোসবু রেফ্রিনা য়েল্লো কার্দ বুক তৌখি ।

ফুল টাইম লোইবা ফাওবদা টিম অনিমক্না গোল অমত্তা চন্নবা ঙমদবদগী এক্সত্রা টাইম শান্নখি । এক্সত্রা টাইমগী অহানবা মিনিট ১৫ অদুদসু টিম অনিমক্না গোল চন্নবা ঙম্নদনা লোইখি ।

এক্সত্রা টাইমগী অনিশুবা শরুক হৌদুনা মখা তানা শান্নরকখি। মেটচ অদুগী ১১৬ শুবা মিনিটতা স্বুইটজগী কাংবুনা গোল চন্না য়াবা খুদোংচাবা অমা ফংখি অদুবু লাইবক থিবদি পোষ্টতা পান্দুনা অরেম্বদা মাংখি । মসিগী কাউন্টর এটেক্তা আর্জেন্টিনাগী লিওন মেসিনা লেফ ফ্লেঙ্কতগী রাইত্তা পিরকপা ফজরবা পাস অমা এঞ্জেল দি মারিয়ানা গোল ওন্থোক্তনা টিমগী মায়পাকপা গোল ওইহনখি ।

গোল অসি চনখ্রবা মতুংদা স্বুইজগী গোলকিপর ফাওবা য়াওনা গোল হন্দোক্তবা য়াদে হায়দুনা অকনবা এটেক্ট তৌখি । মসিগী খুদোংচাবা লৌদুনা গোলকিপর লৈতবগী তাঞ্জা য়েংলগা মারিয়ানা কাওরকপা বোল অমা গোল পোষ্টকী ওইরোমদা চৎখিদুনা গোল ওন্থোকপা ঙমখিদে । মেটচ অদুগী ১২০শুবা মিনিটতা গোল চনখিবা আজেন্টিনাগী দি মারিয়াবু রেফ্রিনা য়েল্লো কার্দ অমা বুক তৌখি । মহাকসু মথংগী মেটচতা শরুক য়ারোইদৌরি ।

মেটচকী অরোইবা মিনিটতা স্বুইজগী গোল হন্দোকপা য়াবা ফ্রি কিক অমা ১৭ মিটরগী অরাপ্পদা ফংখি অদুবু গোল চনবা ঙমদনা প্লেয়ারশিংনা শারিবা ৱাল্ডদা পাল্লগা থাক্তোরকপা মীৎকুপ্তা রেফ্রিনা ফাইনেল হুইসেল খোংদুনা মেটচ অদু লোইশিনখি ।








অনিশুবা মেটচ ওইনা বেলজিয়ম অমদি য়ু এস এ শান্নখিবা মেটচ অদুদা বেলজিয়মনা গোল ২–১দা মায়থিবা পিখ্রে । টিম অনি অসিসু ফুল টাইমদা গোল অমত্তা চন্নদনা এক্সত্রা টাইম শান্নখি ।


এক্সত্রা টাইমগী অহানবা শরুক মেটচকীনা ৯৩শুবা মিনিটতা বেলজিয়মগী কেবিন দি ব্রুয়েননা গোল অমা চনখি ।



মসিগী মতুংদা মেটচকীনা ১০৫শুবা মিনিটতা বেলজিয়মগী রোমেলু লুকাকু না গোল অমগা অমুক চন্দুনা ২–০দা লৈখি ।

বেলজিয়মগী অনিশুবা গোল চনখ্রবা মতুং মিনিট ২ লৈরগা মেটচকীনা ১০৭শুবা মিনিটতা য়ু এস এগী জুলিয়ন গ্রিননা গোল অমা চনবা ঙমদুনা ১–২দা লৈখি।

এক্সত্রা টাইমগী মতম লোইবা ফাওবদা য়ু এস এনা গোল হন্দোকপা ঙমদবগী মায়থিদুনা লৈহৌখি ।




# রাফেল নাদাল অমদি সরাপোভা ৱিমল্লেদনদগী লৈহৌরে বৌচার্দ সেমি চংখ্রে

*লন্দন, জুলাই ২ঃ*

লন্দন্দা হৌজিক চখরিবা ৱিমল্লেদনগী মেটচশিংদা হন্দক্কী ওইনা নুপা অমদি নুপীগী চেম্পিয়ন ওইগনি হায়না পান্নরম্বা শান্নারোই অনি রাফেল নাদাল অমদি মারিয়া সরাপোভা মাইথিবদগী লৈহৌরে । নহা ওইরিবী বৌচার্দনা সেমি ফাইলে চংখ্রে ।

মারিয়া সরাপোভাবু মরিশুবা রাউন্দদা জর্মনগী শান্নরোই এঞ্জেলিক্যুই কের্বেরনা ৭–৬, ৪–৬, ৬–৪ মায়থিবা পীরমখিবনি । হন্দক্কী ৱিমল্লেদিন অসিদা আশা তৌরম্বা শান্নরোই কয়া মথং মথং মাইথিহৌদুনা লৈহৌখ্রে ।

লেদিজ সিঙ্গলসকী ৱার্ল্ড নম্বর ১ ওইরিবী য়ু এস এগী সেরিনা ৱিল্লিয়ম অমদি চিনাগী লি না অহুমশুবা রাউন্দদা লৈহৌখিবনি । মখোয় অনি লৈহৌবা অসিদা সরাপোভাগী খুদোংচাবা অমা লৈরে হায়না খন্নরম্বনি ।

সরাপোভা অসি মশাগী চহি ১৭ হায়বদি ঙসিদগীনা চহি ১০গী মমাংদা ইং ২০০৪দা পাংথোকখিবা ৱিমল্লেদন অদুদা চেম্পিয়ন ওইখিবনি ।

মহাকপু মায়থিবা পীখিবা জর্মনগী কের্বেরবু ইউগেনি বৌচার্দনা ক্বাটর ফাইনেলদা মায়থিবা পীরম্বগা লোয়নন্না বৌচার্দ সেমি ফাইনেল চংখিবনি ।

কানাদাগী শান্নরোই ওইরিবী হৌজিক্লা ১৩শুবা সিদেদতা লৈরিবী



অসিনা জর্মনগী ৯শুবা সিদেদ ওইরিবী কের্বেরবু ৬–৩, ৬–৪দা মায়থিবা পীরম্বগা লোয়নন্না সেমি ফাইনেল চংখিবনি । সেমি ফাইনেলদা বৌচার্দনা রোমানিয়াগী সিমোনা হালেপকা শান্নগনি ।

অহুমশুবা সিদতা লৈরিবী সিমোনা হালেপনা জর্মনগী সাবিনে লিসিকিবু ৬–৪, ৬–০দা মায়থিবা পীরম্বনি । মসিদা চাওরাক্লা মিনিট ৫৭ চংখি ।

চহি ২০ শুরবি বৌচার্দনা সেট অমমমদা মিনিট ১০–১০ সেফ তৌবা ঙমখি । নুপীগী অতোপ্পা সেমি ফাইনেলদা ইং ২০১১ দা চেম্পিয়ন ওইখিবী পেত্রা কেবিতোভাগা লুচি সাফারোভাগা শান্নগদৌরি ।

অমরোমদা নুপাগী সিঙ্গলসতা মীয়াম্না চাওনা আশা থম্নরিবা স্পেনগী শান্নরোই রাফেল নাদালবু ৱাইল্ড কার্দতা হন্দক্কী ৱিমল্লেদন অসিদা শরুক য়ারকখিবা মশাগী চহি ১৯ খক্তা ঙাইরিবা ওষ্ট্রেলিয়াগী নীক কাইরোগিজগী মখুত্তা মায়থিবা নংখ্রে ।

ৱাইল্ড কার্দতা চংলকখিবা নীক হৌজিক ৱার্ল্ডগী ওইনা ১৪৪শুবদা লৈবা শান্নরোই অমনি। মহাক্না ঙসি ৱার্ল্ডগী নম্বর ১ ওইরিবা অমদি ১৪রক হন্না গ্রান্দ স্লাম টাইটল লৌখ্রবা স্পেনগী রাফেল নাদালবু ৭–৬ (৭–৫), ৫–৭, ৭–৬ (৭–৫), ৬–৩দা মায়থিবা পীখিবনি। নহা ওইরিবা শান্নরোই অসিনা ৱিমল্লেদনগী ইতিহাসতা চহি ১০গী মতুংদা ৱাইল্ড কার্দতা চংলকপা শান্নরোই অমনা ক্বাটর ফাইনেল য়ৌবসি অহানবনি । মহাক রেঙ্ক ১০০দী মখাদা লৈবা শান্নরোইশিংগী মনুংদগী ক্বাটর য়ৌরকপসু ওইরি ।





# ইন্দিয়াগী সুটর জিটু রাইনা ইয়ার পিস্তোলদা ৱার্ল্ড নম্বর ১ ওইরে

*নিউ দিল্লী, জুলাই ২ঃ*

মুনিস অমদি স্লেভেনিয়াদা পাংথোকখিবা আই এস এস এফ ৱার্ল্ড কপ অদুদা মেদল অহুম থংননা লৌবা ঙম্লকখিবা ইন্দিয়াগী সুটর জিটু রাইনা ঙসি ৱার্ল্ডগী ওইনা ইয়ার পিস্তোল ইভেন্টতা অহানবা রেঙ্কিংদা লৈবা ঙমখ্রে ।

মশাগী চহি ২৭ শুরবা লক্ষনৌদা লৈবা আর্মীগী মীওই অসিনা ইন্দিয়াগী ওইনা হৌজিক ফাওবদা সুটিং হায়রিবা মশান্না অসিদা পোজিসন লৌরকখিবসি ৭শুবনি ।

মহাক্কী মমাংদা মীংচৎ পুরকখ্রবা ইন্দিয়াগী সুটরশিং অদুদি অঞ্জালি ভাগৱাট, রাজাভারেন্দ্রা রাথোর, গগন নারং, মনাবজিৎ সিংহ সন্ধু, রোঞ্জোন সোধি অমদি হেনা সিধুনি।

জিটু রাইনা হৌজিক ইয়ার পিস্তোল হায়রিবা মশান্না অসিদা ৱার্ল্ডগী নম্বর ১ রেঙ্কিংদা লৈবা ঙমখ্রে । রেঙ্কিং অসি আই এস এস এফনা নৌনা থোক্লকপা ৱার্ল্ড রেঙ্কিং অদুদা জিটু রাই অসি টোপ ওইনা থোক্লপা চেরোল অদু উরুবদগী নেসনেল রাইফলস এসোসিয়েসন ওফ ইন্দিয়ানা মহাক অসি পিস্তোল মশান্নদা টোপ ওইবা শান্নরোই অমনি হায়না ফোংদোরকখিবনি ।

রাই মমাংগী ইভেন্টশিংদা সিলভর মেদল ফংদুনা লাকখিবনি। মহাক্না হন্দক্কী ৱার্ল্ড কপ অসিদা গোল্ড ফংবা শান্নরোই অমা ওইখি । ইয়ার পিস্তোলগী ইভেন্ট অসি মমাং থাদা আই এস এস এফনা শিনবা ৱার্ল্ড কপ অদু স্লোভেনিয়াগী মেরিব্রোন্দদা পাংথোকখিবনি । মহাক্না ৱার্ল্ড কপতা মেদল ২ লৌবা ওইরি ।



ৱার্ল্ড কপ্তা মেদল ২ লৌবগা লোয়নন্না ইয়ার পিস্তোলদা ৱার্ল্ড নম্বর ১ ওইখ্রবা ইন্দিয়াগী সুটর জিটু রাইনা